হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, জন্যুৱারী ১১, ২০২৩, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ২৮০শুবা মশীং

## লৈঙাক্না রিক্রুটমেন্ট পাঙথোকপা কুইনা চঙহনবা চুমদে

মণিপুর লৈঙাক্কী শেল-থুমগী ফীভম ফত্তে হায়বসি পূন্নমক্না খঙই। শেম্ফু পীকই, শেঙ্গাওসু চোনদে হায়বসু খঙই। মসিগী মরম ময়াম লৈ। মরমশিংদুগী মরক্তগী খরদি শেন্থোক লম্বী মরাং কায়না লৈজদবা অমসুং ইনকম লাক্তবদগীনি। অদুগা ওইরিবা ফীভমসিসু হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসিগী মতমদতা থোকপসু নত্তে। মমাঙ-মমাঙদা লৈখিবা লৈঙাকশিংগী মতমদসু থোক্তুনা লাকখ্রবনি। ফৎত্রিবা ফীভমসিদগী অমুক্কা হেন্না শোকচিনবা তাঙ্কক কয়াসু য়াওখ্রবনি। ইশম-শম্বদা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী থৌমীশিংগী পীফম থোকপা থাগী খূৎশুমল ফাওবা পীথোকপা ঙমদবা থেঙ্খ্রাংশিং য়াওখ্রবনি। লৈঙাক্কী মথৌ তাবা অৱাৎপা শিন্মীশিং লৌবা ফনা কুইনা লেপ্তুনা লৈরুরবনি। অদুবু লিংলিবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংসি সেক্টর পূন্নমক্তা মীয়ামগী চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিং তৌনবনি। মরম অসিনা লোয়শঙশিং অসিগী মেছিন্নরিশিং লৈতবা য়ারক্তবনা অনৌবা মীওইশিং লৌদুনা অহাঙবা পোষ্টশিং মেনশিনবগী থবকসি হেক-হেক পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি। অদুবু মস্বাইদা থোরক্লিবা ৱাফমদি লৈঙাক্কী শেম্ফু পীক্লবসু পীক্না, শেঙ্গাও চোন্দ্রবসু চোন্দনা তঙাইফদবদগী অহাঙবা পোষ্টশিং মেনশিন্নবগীদমক পাঙথোরকপা রিক্রুটমেন্টশিংদা মতম শাংনা শাংনা লৌরিবা অমসুং চঙহল্লিবা করিগীনো হায়বসিনি। অনৌবা মীওইশিং লৌনবগীদমক পাঙথোক্লিবা রিক্রুটমেন্টকী প্রোসেসশিংসি লৈত্রবসু লৈতনা লৌদবা য়াদবদগী পাঙথোরকপনি। অদুগা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস পাঙথোকপা হায়বসিসু নৌনা লৌগদৌরিবা মীওইশিং অদু লৌশিল্লবা মতুংদা মখোয়দা খূৎশিন্নগদবা থবকশিং লৈরবা অমসুং থবকশিংদু তৌহনবগী খূৎশুমল পীনীংঙাই লৈরবা মতমদা চত্থরকপা থবকনি। মসি ওইরগদি রিক্রুটমেন্টকী থবক-থৌরমশিং হেক হৌরকপগা মপূং ফানা প্রপ-প্রপ লোইশিন্নবা হোৎনফম থোক্তব্রা? মসি নত্তদনা এমপ্লোইমেন্ট নোটিফিকেসন থোক্লগা ফোর্ম লৌহনবা অমসুং এপ্লাই তৌহল্লক্লগা মতম কুইনা-শাংনা ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবগী ফীভমদা লৈথোরক্লগদি থোংননবা চেঙ অমসুং এঙ্খ্রাং লৈত্রিঙৈদা লৈরংদা মৈ হৌগৎপগী থৌদৌনি শোয়দনা হায়নরক্কনি। মসিগী মাঙজবশিংনা এপ্লাই তৌরক্লিবা মীওইশিংগী ওইগনি। মরমদি পোষ্ট অমগীদমক তান্নরিঙৈদা মদুসু নাখৈ শেংদবনা অতোপ্পা থবক্তা অমুক খোঙদাবগী খুদোংচাবা মাঙহনগনি। লৈঙাক্কী থবক তৌবা য়াবগী মতম ফাওবা হেন্দোকখিবা য়াওরক্কনি।

মরম পূন্নমকশিং অসিনা লৈত্রবসু লৈতনা লায়রজখ্রবা লৈঙাক্না তঙাইফদবদগী খরদা ওইরবসু লৌননবা চত্থরক্লিবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসশিংদদি থেংথহনবা অমসুং নমশিন্দুনা থমজিনবা চুম্লোই। ৱাফমসি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসিগী লোয়শঙ খরনা চত্থরক্লিবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসসিগী ওইবা ৱানি। মমাঙগী লৈঙাক্না চত্থখ্রগা হৌজিক ফাওবা রিজল্ট লাউথোক্তুনা, হায়দোক্তুনা নমশিল্লক্লিবা লোয়শঙশিংদুগীসুনি। মতম কুইনা শাংনা রিক্রুটমেন্টকী রিজল্ট খঙহন্দ্রে হায়বগীদমক জোইন্ট এক্সন কম্মিটিনচিংবা শেন্নক্তুনা চোংথোরক্তুনা মখল কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়নগা থোরকপা চুম্ব্রা? মসিদি মথৌ লৈতবা মীওইনা থোইদিং পোৎ অমা হৈদোক্লগা খুল্লি হায়বদুগী ফীভম তারক্কনি। মসিগী মথক্তা ফনা য়াম্না চুম্না অমসুং শেংনা তৌরবা ফাওবদা থবক তান্নরিবা মীওইশিং অদুতা নত্তনা মীয়াম্না মশেন-মরাং ওইনা উরক্কনি, ফজনা লৌনরক্লোই। অমরোমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুরদগী শেঞ্জা থুমজা মরূ ফংনা মূত্থৎকনি, মনুং মপান ফাওনা উহন্দুনা থবকশিং পাঙথোক্কনি অমসুং একাউন্টেবিলিটি লৈহনগনি হায়রিবসিবু পুমহৈ হৈদোকপগুম থোকহনগনি। পূন্নমকসি থোকহন্দনবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস চত্থখিবা, হৌজিক চত্থরিবা অমসুং মতুংদসু চত্থরক্কদৌরিবা লোয়শঙশিংবু খূৎপায়নরিবা মিনিষ্টরশিংনা হীরমসিদা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি। মখা থাবা লোয়শঙগী কম্মিস্নর, সেক্রেটরি অমসুং দিরেক্টরনচিংবদা চেকশিন ৱা হায়বিগদবনি। মতম চানা পাঙথোকপা অমসুং রিজল্ট লাউথোক্লবগী মতাংদসু ওফিসলশিংনা মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিংদা ব্রিফিং তৌবীগদবনি। লৈঙাক মপু মকোক ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু মহাক্কী মিনিষ্টরশিংদা পাউতাকশিং পীবিগদবনি। নৎত্রবদি লৈঙাক্কী থবক লৌবদবু চহীরোমদা খুজিং ওইরগা নমশিন্দুনা থম্লকপগী থৌওং অসি চত্থরক্লগদি মীয়াম্না লৈঙাকসিবু অচুম্বা চৎপনি, তৌবনি হায়না লৌরক্লোই। রিক্রুটমেন্ট ফাওবদা মীয়াম্না পেন্নদবা লৈঙাক ওইরক্লগা মীয়ামগীদমক অফবা থবকশিং তৌরকখিগনি হায়বগী থাজবা লৈখিগদ্রা? লৌনবা হোৎনদ্রগা হোৎনদ্রে, হোৎনরক্লবদি চেনা পলহনগনু। পাঙথোকফম থোকপশিং প্রপ-প্রপ পাঙথোক্লগা রিজল্ট হায়দোকউ।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭

১) **“করিনা তমসিগে খুদোল/অনৌবা কুম অসিগী,/নাচোম অমদি শেম্লেনে/তখেল্লে শংব্রৈ লৈচন্না/চিগোংলৈ অমত্তংগা থেৎখিগে,/নংগী নাপ্প থন্নবা/হেপ্পি নিয়ু ইয়র।”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

২) **“ফাওরকপা ঈথিলদা শেমজিনবা ৱারী”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“চীংনা ঐগী পন্থৌ তম্না ঐগী পলেম”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিকনি। ওরিজিনেল কনানা ইবা লাইরিক্তগী হন্দোক্লিবা অসিনা কনানো?

৪) **“অরোনবা থম্মোয়গী চিঠি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **“মমি তাদ্রবা মী”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কুমজা ২০২২দা পুথোরকখিবশিংদগী খ্বাইদগী শীংথানীংঙাই ওইবা খরা # ২

# মলেরিয়াগী ইনফেক্সন অমসুং মসিনা শন্দোরকপবু য়াম্না হন্থহনবা ঙম্বা mRNAভেক্সিন

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**

মলেরিয়া হায়বা ৱাহৈসি ময়ায় ওইবা চক্কী ইটালিয়ন ৱাহৈ অনী *mala aria,* হায়বদি *ফত্তবা নুংশিৎ* হায়বসিদগী থোনখিবনি। লায়নাসি ague নৎত্রগা marsh fever হায়রগসু খঙনরম্মী মরমদি মসি অমোৎপা অমসুং ফত্তবা ঈশিংনা তুংশিন্দুনা লৈবা মফমদা এনোফিলিস অমোম্না মরূম কোকশিন্দুনা মচা ওল্লকপা অদুগা লায়নাসি শন্দোকহল্লকপগা মরী লৈনৈ। মলেরিয়া হায়রিবা ৱাহৈ অসি ইংলিসতা কুমজা ১৭৬৮গী মতমদগী শীজিন্নবা হৌরকখি। মতম অমদা লায়নাসি য়ুরোপ অমসুং অৱাং অমেরিকাদা য়াম্না শন্দোক্লম্মী অদুবু হৌজিক্তি অনাবগী কেসশিং লৈরবসু ইন্দেমিক হায়বদুদি ওইদ্রে। মতম অমদা মশোং ফনখিবা রোমান এম্পায়রনা মরাই চাইথরকখিবগী মরমশিংগী মনুংদা মলেরিয়া অসিসু অমনি। লায়নাসিনা রোমদা অসুক্কী মতিক কন্না শন্দোরকখি, অদুনা মসিবু ‘রোমান ফিভর’ হায়নফাওবা খঙনখি। মতমদুগী রোমগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম, ঈশিং তুংদুনা লৈবা মফমশিংনা এনোফিলিসকী চাক্তাফম ওইবদা য়াম্না খুদোং চাখি হায়না অখঙ অহৈশিংনা মত পীনৈ।

মলেরিয়া অসি হৌজিক পাকিস্তান্দা ইন্দেমিক ওইরি হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না হায়রি। কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারীদগীনা ওগষ্ট ফাওবগী মনুংদা চিংনবা কেস মশীং মিলিয়ন ৩.৪ মুক লৈখি অদুগা কুমজা ২০২১দনা মিলিয়ন ২.৬কী পাউদম লৈখি। ‘ৱর্ল্ড মলেরিয়া রিপোর্ট’ কী মতুংইন্না কুমজা ২০২১দা মলেরিয়ানা শিখিবা মীশিং অসি ৬১৯,০০০নি অদুগা ২০২০দনা ৬২৫,০০০ নি। মালেম পূম্বগী ওইনা কুমজা ২০২০দা লৈখিবা মলেরিয়াগী কেস মশীং অসি মিলিয়ন ২৪১নি অদুগা শিখিবা মশীংনা ২৬৭,০০০নি। মেদিকেল সাইন্স অসি অসুক্কী মতিক চাওখৎলে হায়না লৌবা য়ারবা মতম অসিদসু, মলেরিয়ানা মীওইবা খুন্নাইবু ওৎলিবসিদগী ইঙাক ঙাকথোকপা ঙমদনা লৈরিবসিগী মরু ওইবা মরম অমদি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লনবা ভেক্সিন পুথোকপা ঙমদ্রিবা অসিনি। অদুনা মলেরিয়াগী মতিক চারবা ভেক্সিন অমা পুথোকপা হায়বসি ‘ব্রেকথ্রু’ অমা ওইগদৌরিবনি।

মলেরিয়াগী ভেক্সিন অসি হান্ননা পুথোকখিবা খরা লৈখ্রে। কুমজা ২০২১দা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা রিকমেন্দ তৌখিবা মলেরিয়া ভেক্সিন RTS,S অসি সব-সহারান অফ্রিকাগী লৈবাকশিংদা শীজিন্নবা হৌখ্রে। চৈরক অসিদা, জোর্জ ৱাশিংটন য়ুনিভর্সিটিগী থিজিন লূপ অমনা মলেরিয়া ইনফেক্সন অমসুং মসিনা শন্দোরকপবু থিংবদা য়াম্না কান্নবা পীগদবা mRNA ভেক্সিন অনী পুথোকপা ঙম্লে হায়রি। হৌজিক্কী ওইনদি চাংয়েংগী থাক্তা লৈরিবা ভেক্সিন অনীসিদগী অমা নৎত্রগা অনীমক পূন্না পীবা মতমদা ভেক্সিনশিং অসিনা মতিক চারবা ইম্ম্যুন রেস্পোন্স অমা শেমগৎপা ঙম্মী হায়রি। মসিগী পাউদম অসি নেচর পোর্টফোলিওগী শরুক অমা ওইরিবা সাইন্টিফিক জর্নেল, "npj Vaccines" (দিসেম্বর ১,২০২২) দা ফোঙদোরকখিবনি।



Nirbhay Kumar

জোর্জ ৱাশিংটন য়ুনিভর্সিটি মিল্কেন ইন্সটিট্যুট স্কুল ওফ পব্লিক হেল্থকী প্রোফেসর ওফ গ্লোবল হেল্থ, নর্ভয় কুমার অমসুং মহাক্কী থিজিন লূপ অসিনা মলেরিয়া লায়না পোকহল্লিবা পরাসাইট মরিগী মনুংদা অমা ওইবদা নত্তনা মী খ্বাইদগী হেন্না শিহল্লিবা *প্লাজমোদিয়ম ফালসিপারম* হায়রিবা পরাসাইট অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং থমখি। মালেমগী ওইনা এনোফিলিস অমোম্না চিকপদগী শন্দোক্লিবা, *পি ফালসিপারম* অমসুং *পি ভিভাক্স*না মরম ওইরগা মালেমদা মলেরিয়াগী কেস ৯০%দগী হেন্না লৈহল্লি অদুগা মলেরিয়ানা শিখিবশিংগী মনুংদগী ৯৫% ওইহল্লি। নর্ভয় কুমারগী লূপ অসিনা অসিগুম্বা পরাসাইট অসিগী লাইফ সাইকলগী তাঙ্কক কয়াদা অয়েৎপা/অথিংবা পীবা ঙম্বা mRNA ভেক্সিন অনীসি শেমগৎলকখি।



Plasmodium gambiae

থিজিন লূপ অসিনা মলেরিয়াগী পরাসাইটশিংনা মীওইবগী হকচাং মনুংদা চথোক-চৎশিন তৌবা অদুগা ফিরাক্তা লান্দাশিল্লকপদা মতেং পাংলিবা প্রোটিন অমদা এটেক তৌবা ঙম্বা mRNA ভেক্সিন অমবু উচিশিংগী কাঙলূপ অমদা কাপশিল্লম্মী। অতোপ্পা উচিগী কাঙলূপ অমদনা এনোফিলিস কাংগী ময়ায় থংবা থিরিলদা পরাসাইটশিংনা মরূম কোক্তুনা মচা ওল্লকপদা মতেং পাংলিবা প্রোটিন অমদা এটেক তৌবা ঙম্বা ভেক্সিন কাপ্লম্মী। অসুম্না ভেক্সিনশিং কাপ্লবা উচিশিং অদুবু ইনফেক্সন থোকহল্লিবা পরাসাইটকা লোয়নদুনা লৈহল্লম্মী। মতম অসিদা, ভেক্সিন অদুনা উচিগী হকচাং মনুংদা শেমগৎলকপা এন্টিবোদিশিং অদুবু টেষ্ট তৌদুনা য়েংলম্মী।

অসুম্না টেষ্ট তৌখিবসিদা, ভেক্সিনশিং অদুনা উচিশিং অদুদা মপাঙ্গল কল্লবা ইম্ম্যুন রেস্পোন্স থোকহনবা ঙমখি অদুগা উচিশিং অদুদা থোরক্কদবা ইনফেক্সনশিংবুসু হন্থহনবা ঙমখি। অতোপ্পা অমরোমদনা, ভেক্সিনশিং অসিনা মলেরিয়াবু শন্দোকহল্লিবা কাঙশিংদা থোকপা ইনফেক্সনসু হন্থহনবা ঙমখি। প্রোটেক্টিভ এন্টিবোদিশিং য়াওবসিনা মরম ওইরগা, পরাসাইট অসিনা ইনফেক্ট তৌদ্রিবা কাঙশিংদা পরাসাইটশিংসিনা শন্দোরক্তুনা য়াওরকপা পরাসাইট লোদ অদু অঙকপা মওংদা হন্থরকখি, অদুনা মলেরিয়া শন্দোকপগী চাং হন্থহনবদসু কান্নগনি হায়রি। মতৌ অসুম্না ভেক্সিন অনীসিনা মীওইবদা ইনফেকসন থোরকপদগী ঙাকথোকপা অমসুং কাঙ অমদগী অতোপ্পা কাঙ অমদা শন্দোকখিবগী চাংবুসু হন্থহনবা ঙমগনি হায়না নির্ভয় কুমারনা ফোঙদোক্লি। উচিশিং অদুদা ভেক্সিন অনীমক কাপ্তুনা য়েংবা মতমদসু ইম্ম্যুন রেস্পোন্সতা অপনবা অমত্তা লৈতনা কান্নবশিংসি ফংবা ঙমখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি।

মখা তারকপা চাংয়েংশিংদা থিজিন-লূপ অসিনা অতোপ্পা ন্যুক্লিক এসিদতা য়ূম্ফম ওইবা ভেক্সিনশিংগা চাংদম্নদুনা য়েংখি। মসিগীদমক মখোয়না দি এন এ প্লাজমিদশিং শীজিন্নখি। চাংয়েংশিং অসিদসু mRNA ভেক্সিনশিংনা দি এন এদা য়ূম্ফম ওইবা ভেক্সিনশিংদগী য়াম্না হেন্না ইম্ম্যুন রেস্পোন্স পীহনবা ঙমখি। লূপ অসিনা ভেক্সিনশিং অসিবু শাফবা মওংদা মীওইবদা শীজিন্নবা য়ানবগীদমক মীদি নত্তবা মীওইবগা হেন্না নক্লবা মরী লৈরিবা প্রিমেট মোদেলশিংদা মখা তাবা চাংয়েংশিং পাঙথোকখিগনি হায়রি। অসুম্না তাঙ্কক কয়াদা মায় পাক্লবা মতুংদা মীওইবদা ক্লিনিকল ত্রাইএলশিং পাঙথোক্কনি। ●

## ত্রেনদি য়ৌরক্লগনি ঐখোয়দি করম্না শেল তানগনি

– রোমিও য়ূম্নাম –

মণিপুরদা কুমজা ২০২৪ নৎত্রগা ২০২৫দা ত্রেন শোয়দনা য়ৌরক্লগনি হায়না পানরি। ত্রেন য়ৌরকপা মতমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা পোৎ হোঙনা ফংবগুম মণিপুরদসু হোঙনা ফংগনি হায়দুনা মীওই খরনা হরাওনরি। মীওই খরা অমনা মপান লমগী থবক্তা চিলহাও থিদবা খূৎশুমল হোঙবা শিন্মী কয়ানা মণিপুরীশিংনা শুজরম্বা থবকশিং হোঙনা শুদোকখিদুনা ঐখোয়গী শিন্মীশিং শুফম নোমফম লৈরক্তদুনা হান্নদগী ৱাদুনা লাক্লবা মণিপুরী প্রজাশিং কা হেন্না ৱাবা পুন্সি অমদা লৈরগনি হায়দুনা নুংনাংবা ফোঙদোক্লরি। হৌজিক হৌজিকমকসু মণিপুরীশিংনা চাংচৎ অমদা শুনরিবা থবকশিং অয়াম্বা অহোঙবা মীতোপশিংনা মহুৎ শিনবা হৌখ্রবনি। ঐখোয়না তৌহৌরিবা থবক হায়রগদি ঙা য়োকপা, ইঙ্খোল কোয়দুনা এঙ্খ্রাং নাপি খরা পুথোক্লিবা অমদি মিনরেল ৱাটর নৎত্রগা ঈশিং খরা য়োনবা চৎনরিবা অসি খক্তা ঙাইহৌরে হায়বা য়াই। মসিসু ত্রেন লাক্লগদি মপান্দগী অহোঙবা পোৎশিংনা মহুৎ শিনখ্রগনি হায়বদা অরানবা অমত্তা লৈতরে।

ত্রেন লাক্লগদি পোৎ হোঙলনি নুংঙাইরগনি, করবার চাওখৎলগনি হায়রিবা মীওইশিং অসিদি নাকল নাম্মতা য়েংবা মশাগী লেঙদবা গভর্ণমেন্ট সর্ভিস নৎত্রগা দুকান ভারাগুম্বা খরা নৎত্রগা লেঙদবা শেন্থোক লম্বী অমা লৈজবা কোক খরা ৱাৎপা মীওইনা পংঙাঙ ঙাঙজবগী ৱানি। ত্রেন লাক্লগদি প্রজাশিং অৱাবা তারগনি হায়রিবনা লৈবাক্কীদমক খনবা ইন্টেলেকচ্যুএল খরনা ৱাখল মুন্না খল্লগা, মীয়ামগীদমক করি তৌহৌবনা ফগদগে খন্দুনা মীয়াম ৱাখল তানবা হায়বীরকপনি। কোরোনা হৌরকপা মতমদা পৃথিবীগী অফাওবা ইন্টেলেকচ্যুএল কয়ানা চহী ২ নৎত্রগা ৩গী মতুংদা পৃথিবী অসি খম থেংনা ৱারগনি হায়বিখি। হৌজিক্তি হায়বিখিবা খুদিংমক লোইনা চুল্লরে।

মণিপুরদা মেদিসিনেল প্লান্ট কয়া অমা হৌরি হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মসিদগী হীদাক শুংদুনা নৎত্রগা মসি মপান লমদা থাদোক্তুনা শেল তানসি হায়নবা কয়া অমসু য়াওখ্রে। মণিপুরদা হীদাক শুংবগী ত্রেনিং চৎলুবা মীওই খরা শোয়দনা লৈরমগনি খল্লি। মখোয়শিং অদু মপানগী হীদাক শুংবা কম্পেনিশিংদা থাদুনা মণিপুরদা ৱাইল্ড ওইনা পংহৌদা হৌরিবা মেদিসিনেল প্লান্টশিং অসিদগী করম করম্বা হীদাক শুংবদা করি করি প্লান্টশিং শীজিন্নরিবগে হায়বদু খঙদোক্তুনা, মণিপুরীশিংনা সপ্লাই তৌবা ঙল্লবদি শেল য়াম্না তানফম লৈগনি। অদুদি নত্তনা মেদিসিনেল প্লান্ট হৌরি মসিদগী শেল তাল্লি হায়দুনা পংঙাঙ ঙাঙদুনা লৈবদুনদি ওইবা য়াবা নত্তে। মণিপুরনা মরাং কায়না পুথোক্লিবা য়ু অশেংবা, মণিপুরগী লৈবাক লৈহাওদা য়াম্না চানরবা গঞ্জা অমদি পোপি মখোয় অসিসু হীদাক ঙাক্তনি। পোপিনা পৃথিবী পূম্বগী ওইনা অথিংবা লৈ হায়রগসু, গঞ্জা অসিদি পৃথিবীগী খ্বাইদগী চাওখৎলে হায়দুনা মীয়াম্না মতৌ তম্নরিবা য়ু এস এ ফাওবনা লিগেলাইজ তৌখ্রবনিনা মসিসু হীদাক্কী নমাদা লিগেলাইজ তৌবীরগদি প্রজাশিংদা অসুক্কী মতিক কান্নগনি।

মণিপুরদা অতোংবা মফমবু ওইরবদি পংফদা ফবা মপান লমদসু শেন্দোং লৈনা য়োনবা য়াবা হায়রগদি মীয়াম্না য়াম্না পাম্না চানরিবা শীঙ অসিসু অমনি। মণিপুরগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরা জিনসেঙ অসি য়াম্না চাউনা অমসুং মরাং কায়না হৌরম্মী হায়নৈ। মসিসু হীদাক শুংবদদি য়াম্না কান্নবা ওইবনিনা মসিবু নিংথিজনা য়োকখৎপীরবদি প্রজাশিংদা য়াম্না কান্নবা শেন্থোক লম্বী অমদি ওইরগনি। মণিপুরদা চীংশিংদা মরাং কায়না থাবা য়াবা কিহোম অমদি অরাপ্পা চীংনুং কয়াদা মরাং কায়না হৌরিবা চমপ্রা কোমলাশিং অসিসু মতম অমদা য়োনফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরম্বা অদু ত্রেন লাক্লবদি কোক্তুনা শেল তানফম অমদি ওইরগনি।

মণিপুরগী মফম অয়াম্বা লৈহাও চেনবা লম ওইনা তৌই। মরম অসিনা ঈশিং খিক্তং চাং নাইনা পীবদা পোৎ খুদিংমক থাবা য়াই। মণিপুরগী তম্পাক লমদা চেল্লিবা তুরেল অয়াম্বগী মপান্দা রিভর লিফ্‌ট ইরিগেসন সিষ্টম (আর এল আই) নৎত্রগা ৱাটর পম্পিং সেটশিং মতম মতমগী গভর্ণমেন্টশিংনা খিন্দুনা থমখিবা ঙাক্তনি। অদুবু মখোয় খুদিংমক ৱাঙ্গোই অমদি ময়াংইম্ফাল চিরাই নত্তনা অতৈদি হেক শঙ্গাবগা চহী অমা ফাওবা চলাইদনা লোইনমক তোকখিবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা ইরিগেসন সিষ্টমশিং অসি দাম মচা মচা খরগা শাদুনা লৈকায় লৈকায়গী ক্লব নৎত্রগা লূপশিংদা শিন্নদুনা হিংগৎহনবীরবদি মতম পূন্নমক্তা শংদুনতা লৈবা লৌবুক ওইহল্লবদি প্রজাশিংগী অৱাবা খরমখৈদি কোক্কনি। মণিপুরগী মফম খুদিংমক ৱা থাবা য়াম্না চানৈ। মরূ কোক্লবা চীংশিং অসি ৱা থারবদি অমদি ঈশিং মরাং কায়নবু পীরবদি ৱাদগীসু শেল য়াম্না তানবা য়াগনি।

মতম অমদা মণিপুরদা য়ূমথোঙ খুদিংদা লশিং থাদুনা ফি শানরম্মী। মসি পূন্নমক হৌজিক্তি লোইনা তোকখ্রে। মপান লমগী ফিশিংনা মহুৎ শিনখ্রে। মসি হিংগৎনবগীদমক অমদি মণিপুরগী হেন্দলুম চাওখৎনবগীদমক মণিপুরদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ী পূন্নমক (সেন্ত্রেল সর্ভিসকী এমপ্লোয়ীশিংসু য়াওনা), স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংসু য়াওনা ইরমদমগী পোখোক নত্তনা মীরমদগী পোৎ শেৎতুনা ওফিস কারকপা য়ারোই হায়বগী অথিংবা অমা থম্বীরগদি মণিপুরগী হেন্দলুম অসুক্কী মতিক চাওখৎকনি অমদি থবক ফংদবগী সমস্যা খরা মখৈদি কোক্কনি।

পূন্নমক অসিগী মথক্তা মণিপুর অসি ইন্দিয়াদা তিনবগী মর্জর এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনবা অদুদা স্পেসল ষ্টেটস পীনি হায়দুনা য়ানখিবনি। জম্মু অমসুং কাশ্মীরদদি চহী ৭০ হেন্না স্পেসল ষ্টেটস চৎনদুনা য়াম্না চাওখৎপা নুংঙাইরবা ষ্টেট ওইদুনা খুদোংচাবা কয়া ফংদুনা লৈখরে। চহী অমা অনীগী মমাঙদা লৌথোকখিবদা ঙাইরি। ঐখোয়গী মণিপুরদি জম্মু এন্দ কাশ্মীরগুম্না ইন্দিয়াদা পুল্লুবগী কান্নবা ফংবা নত্তে। স্পেসল ষ্টেটস হায়বদি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা চৎনরিবা লোশিং অদু ঐখোয়গী লৈবাক্তা চৎনবা য়ারোই, তোঙানবা লো অমা শেমজগনি হায়বনি। অসিগুম্বা ইশানা শেমজবা লো অসিগী মখাদা কয়ামুক য়াম্না কান্নবা ফংলমগনি হায়বসি ৱাখলনা অমুক্তা শাগৎলগা য়েংবীয়ু। টেক্স হায়বা অমা লৌরমদবা য়াই। মরম অদুনা পোৎ অসুক্কী মতিক হোঙলমগনি। মণিপুরদা লৈরিবা অশোনবা আই এল পি অসি নত্তবা অকনবা আই এল পি লৈরমগনি। গভর্ণমেন্টকী সর্ভিস তৌবদা মীতোপ্তা খুদোংচাবা পীরমদবা য়াই হায়বগী লোইবা নাইরোই খল্লি।

লাকচনীংলিবা ৱাফমদি জম্মু এন্দ কাশ্মীরনা চহী ৭০ হেন্না স্পেসল ষ্টেটসকী কান্নবা ফংখ্রগা ঐখোয় মণিপুরশিংদি করিগীদমক পীরোইদৌরিবনো হায়দুনা ঈৱাং হৌফম থোক্তবরা? নৎত্রে হায়রগনা কোর্টকী মতেং লৌদুনা সী এস ও নৎত্রগা মহৈরোয় লূপশিংনা করি তৌফম লৈবগে হায়বদু খনফম থোক্তবরা, পাবিরিবশিংনা খন্দুনা য়েংবীয়ু। অমরোমদা অমুকসু মণিপুরদা থবক ফংদ্রবা নহারোলশিংদা থবক খ্বাইদগী হেন্না পীরিবসি য়েন লোয়বনি। মসিগী শিনফম অসিনা দাইরেক্টলি নৎত্রগা ইন্দাইরেক্টলি কান্নবা পীরিবশিং অসুক্কী মতিক য়াম্মী। য়েনগী মথিনা এঙ্খ্রাং নাপী থাবদা হার ওইনা অমদি ঙাগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নরি। অসিদা নত্তনা হেটচরিদগী থোরকপা য়েরূম অমাবনা ওক্কী মচিঞ্জাক ওইনা অমদি য়েরূম মকুনা লৈগী হার ওইনা শীজিন্নরি। অদুবু অসুক কান্নরবা য়েন লোয়বগী শিনফম অসি ত্রেন লাকত্রিঙৈদা মপান্দগী য়েন অচৌবা হোঙনা থাজিল্লক্তুনা পুংশি শিরি। ত্রেন অমুক লাক্লবদি করি থোক্লগনি খন্দুনা য়েংবীয়ু।

অরোইবদা হায়জনীংবদি মণিপুরদি বোর্দর ষ্টেটনি, লালহৌবগী ঈৱাংসু লৈ, অফস্পাসু লৈ, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু ফূই, হাৎসু হাৎলি, অৱাবসু অদুম পী। মসিদা খ্বাইদগী হেন্না ৱারিবসি মীচম প্রজাশিংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্ত্রবনি। মরম কয়া অসি লৈবনা মণিপুরগী প্রজা খুদিংমক্না খন্নবিরগা স্পেসল ষ্টেটসমক পীয়ু হায়দুনা দিমান্দ তৌবদা ফংলোই হায়বগী থাজবা লৈরগদি মণিপুরদা লৈরিবা ফোর্স খুদিংমক্কী চান্নবা শা, ঙা, য়েরূম, এঙ্খ্রাং নাপি পূন্নমক অসি মণিপুরীশিংনা পুথোকচবা পোথোকশিংদগী চান্নবা মমল অমদা লৈগদবনি হায়দুনা স্পেসল ষ্টেটস পীগনি হায়দুনা য়ান্নখিবা অদুগী মরূম থুপ্পা কোর্টকী ওর্দর লৌবীদুনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী ওর্দর অমতংগা লৌবা ঙল্লগদি মণিপুরী প্রজাশিং করিগুম্বা অৱাবা অমত্তা লৈরোই হায়জনীংই।

হায়জনীংবা অমনা মণিপুরদা অফাওবা অহৈবা এদভোকেট কয়া লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবদা লৈবাক্কীদমক চোংথোরক্তুনা কথোকপগা লোয়ননা কেস থেংনবীরকপা অমা ফাওবা য়াওদ্রি হায়বা য়াই। কনানো মরিল লৈবা অহৈবা উকিল অমত্তংদি থোকপীরকউদনা শেল পীদ্রবসু থেংনগে হায়বা, মীনা শেল পীদ্রিমখৈ থোরক্তবা তৌবীগনু, লৈবাক অসি অৱাবদা তাগদবদগী কনবীয়ু। ●